থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ফিজেৎ-চাকশেৎ (এপিয়রেন্স) না পীবা পাউজেল

থৌদোক অমা নীংশিংলকই। চহী তরামরি-মঙাগী মমাঙ, ইশামক্তা থোকখিবনি। মতমদু ঐহাক 'নেটৱর্ক মার্কেটিং' হায়গদ্রা 'দাইরেক্ট সেল্লিং' হায়গদ্রা, মেকদোনাল্ড রেষ্টুরেন্টকী ফাউন্দর/ফাউন্দেসনগী ইন্টরনেসনল চেইন রেষ্টুরেন্ট হাংখিবগী ৱারী লীদুনা, চয়োলগী পাঙথোকপা মেগা-বিজিনেস-সেমিনার কয়া লেপ্পুনা য়াওরিঙৈ, নোংমদি শোয়দনা অচৌবা ইনকম অমা তানবা ঙম্বা মী অমা ওইরক্কনি হায়বই মঙ মঙলিঙৈনি। অনানবা ফি, সুট-টাই শেৎ-পুন্দুনা নোংমাইজিং খুদিং, মফম হোং-হোংদুনা লেকচর পীবা চৎলিঙৈনি। অদুগুম্বা মীফম অমা য়াওরুরগা য়ূমদা হল্লকপই খোঙচত্তনি। জোনষ্টোন স্কুললোমদগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ ফ্লাই-ওভরগী ওইথংবা লম্বীদুদা ঐগী মারুটি অলটো কারদু থৌরগা লাকপদা পাওনা-রোদ-ক্রোসিংদুদা পুলিস কম্মান্দোশিং তোংবা জিপসি অমা রোং-সাইদ' লোমদগী হাইজিল্লক্তুনা ৱাইশিন্নরমগদবা শম্না'মুক্তা ৱাৎখিবনি। মাসু-ঐসু 'ব্রেক'তু কন্না কাওরমদ্রবা কন্না থেংগাইনরম্মি। থৌনা ফবা সিপোই/কম্মান্দো অমা ফন চোঙথরক্তুনা 'গাড়ী করম্মাই-থৌরিনো' হায়না ঐঙোল্লোমদা চেনশিল্লকপদুনা ঐগী অশাওবদু মীকূপ্তা নাইন্টি-দিগ্রী'দা ৱাংখৎহনখি। থোঙদু খংহাং হাংদোক্লগা লাউখি ... 'হে, য়ু! লাল্লিবসি নঙলা, ঐরা ... সাইদ লান্না থৌজিল্লক্লগা, নঙনা অচুম্বা শাবা য়াবরা ... (মমাঙদা ফল্লিবা ওফিসর মানবা সিফাইদুগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা হায়রুই) ইবুংঙো! নঙগী কম্মান্দ'দা চৎপা নৎত্রা? হায়য়ু, করম্বা মিসন'দা ত্রাফিক রুল থুগাইদুনা শোমদা থৌজিল্লক্লিবনো'... (মোবাইল ফোন'দা নম্বর অমদা মেৎলি, এদ্দিসনেল দি জিদনি)।

ওফিসর'দু গাড়ীদগী কূমথরক্লগা তপ্না হায়রকই ... 'সার! ঐগী দ্রাইভর'না শোয়খিবনি, ৱাসি তেনশিল্লসি, চাউথোকহনবীরনু ... ৱারৌবীনু সার' ...। মাগী সিপোইদুদা 'কাখৎলু' হায়রগা হন্দুনা থৌখি। খলহৌই - 'মানা ঐবু অচৌবা ওফিসর অমা ওইনা লৌখ্রে... ঐগী খোম্থোক অমদি ফিজোল অদুদনি মানা সার কৌরল্লিবদু ... হান্নগুম কেজুঅল দ্রেস'তা চৎলম্লবা, ঐগী কারদু অকায়-অতোয় থোক্লম্মি, ওফিসর-মচাদুগী খূপাক অম'নীসু চারমগনি'...।

নুমিত্তুদা খঙখিবনি - ঐখোয়গী ফিজোলসিসু মরোল লোল্লি। শেৎলিবা ফিজোল অসিনা ঐহাক ইশাদা করিগুম্বা খরা হায়রকপদা নত্তনা, অউবা কনাদসু ঐহাক কনানো - ৱাহৈগী ৱাংমদা শক্তাকই। অচৌ-অচৌবা দিপার্টমেন্টেল ষ্টোর, সোপ্পিং মোল অমদি মেন্যুফেকচরিং কম্পনিশিংগী সেলস কাউন্টরশিংদা ফল্লিবা নহা ওইরিবা নুপামচা অমদি নুপীমচাশিং, মফি-মরোল তনান-তনান-স্মার্ট ওইনা শেৎলগা থৌগল্লোন খঙনা কষ্টমরশিংবু তরাম-তরাম ওক্লিবা-থেংনবীরম্লগনি অদোমসু। অসিগুম্বা এরেঞ্জমেন্ট তৌরম্লোইদৌরিবদি গভর্ণমেন্টকী লোইশঙশিংদখক্তনি। ফার্ষ্ট ইমপ্রেসন ইজ দ লাষ্ট ইমপ্রেসন - 'অহানবা উবদা ফাওখিবা পূক্লিং ইহুল অদুমক অরোইবা পূক্লিং ইহুলনি' হায়নবদু অচুম্বনি। ঐগী ফিজেৎ, ইওং-ইতৌ, ৱাঙাঙ-শাঙাঙ - কনাগুম্বা অমনা অহানবা উবদা ফাওখিবা পূক্লিং অদুনি মাগী থম্মোয়দা কাউঙমদনা লৈদৌবা। মদুনা ঐগী মমল (ভেল্যু) লেপ্পী। য়াবীনীংদবরা? ৱাফম অসি ঐখোয় মীওইবখক্তগী ওইবা অচুম্বা নত্তে। খুদম চাংদম ওইবা থৌদোক অমত্তং পাউদমজগে। নোংমা, ইচাশিংনা বেঙ্গলোরদা তল্লিঙৈ, ঐগী মরুপ অমগীদা (প্লাটিনম সিটিগী ফ্লেট অমদা) মীথুং ওইনা লৈরুঙৈ ইচাশিংদুগা লোয়ননা লঞ্চ (চাকলেন) অমা চামিন্নে। 'রিলায়েন্স ফ্রেস' (মনা-মশিং, উহৈ-ৱাহৈ তগৎ-তগৎ তেক্লা ফংবা), এয়র-কন্দিসন-সোপ-কমপ্লেক্স অদুদগী 'ফ্রেস-ফ্রুট' খরা লৈগে চৎলুবদা, মরূ-য়াওদবা-অঙ্গুর (সীদলেস-গ্রেপস) চরোং, চপ মান্নবা পোৎ'তুদা মমল মান্নদনা থেন্দুনা লৈরম্বদু উরুরে। রেক অমদা ইরম্মি 'কিলো অমদা লুপা চাম্মা'। অতোপ্পা রেক অমদনা তরু-তরুবা প্লাষ্টিক বেগ অমদা য়োম্লগা, রিব্বোন'না কিরগা 'তেগ' অমা থেৎলম্মী 'লুপা চহুমগী কিলো অনী'।

চপ মান্নবা অঙ্গুরদুনি, দুকান মনুংদুমক্তদনি। কিলো অমদা লুপা ৫০গী খেন্নবা! সেলসমেন'দু কৌশিন্দুনা হংলুই ... 'অঙ্গুর মখল অনীসি করিদা খেন্নবগে'?

নোকফেৎ তৌরগা, নুপামচাদুনা খুল্লকই 'সার! হৈ মখলসিদি অমত্তনি। খেন্নরিবা হায়ববু য়োল্লিবা প্লাষ্টিক অসিতনি... প্লাষ্টিক য়োম্বা অঙ্গুরসিনা, করিমত্তা য়োমদনা ওপন ওইনা থল্লিবা অঙ্গুরসিদগী শরুক অনী হেন্না শীৎলি... প্লাষ্টিক মনুংদা য়াওবা অঙ্গুরসিনা, মপান্দা লৈরিবসিদগী ফজবা হেল্লি'...।

ৱারীসিগী ওন্নবদা ঐগী মরুপ অমগী ৱারী অমগা পাউদমগে। মমিংদুদি হায়দোকচররোই। লৈকায়দুদসু মীমান্নদবনি খন্না থওইবীদে। ঐগদি, লম অমদা ৱাখল তিন্নরুবনা, মাবু ঐনা রেস্পেক্ট তৌই। মফি-মরোল নানবা নৎত্রগা নান্দবা, করিমত্তা থোইদোক্তে। করিগুম্বদা ফুরিৎ লীত্তনা, মাগী কোম্থোং ৱাংমদা মীয়াম তিনবা মফমদা থোক্লকপদা ময়াম্না 'করিনো, নঙবু ফুরিৎ অমা লীৎশিল্লগা থোক্লকপা য়াদ্রা' হায়রুবদা সিরিয়স ওইনা খুল্লকই হায় ... 'করিনো নঙনা হায়রিসিবো? মহাত্মা গান্ধীবু নোংমতা ফুরিৎ লীৎখিবরা? বৃটিশ পার্লিয়ামেন্ট'তা ফুরিৎ লীত্তনা, সেন্দল তোংলগা, চৈশু পায়দুনা চঙলগা ৱা ঙাঙখিবনি... ঐনা ফুরিৎ লীত্তনা নোংফাদোক থোক্লকপসিদা নখোয়না ৱা ওইনা ঙাঙনরিবসি করিগীনো'...? মখা তানা ৱাফংনদ্রবসু, 'অঙাওবসিদি' - কোন্না ৱারীনহৌই। মাগা তিন্নৈ হায়দুনা লৈকায়দুগী ইমান্নবা অমনা 'নঙসু অঙাও মিহুল চেল্লমগনি' হায়রকপসু য়াওই। মতম অমদা গান্ধীসু 'সুট-টাই' লীত্তুনা ইংলিস জেন্টলমেন শাখিবগী ৱারী, অঙাং ওইরিঙৈ পাড়া ওইনা তম্লকই। মশানা লীথোকচবা ৱারীনি। মহাক্না ফুরিৎ লীৎখিদবা, ফৈজোম-শেৎ-ফিজাও ইন্দুনা লেনখিবদুদি, মহাক্না লুচিংদুনা চথখিবা অন্দোলন'দুগী শরুক অমনি, কনানসু মতৌ তম্লম্লোইদবা! অদুবু গান্ধীগী ফিজোল অদুনা বৃটিশ ওথোরিটিদা ৱাহৈগী ৱাংমদা পীখিবা পাউজেল অদু তাখিদবা তৌদে বৃটিশ'না।

লৌশিং পুক্কে

# তূম্বা অমসুং য়াহৌবগী মতম নাইদ্রবদি গ্লুকোজ মেটাবোলিক অমসুং ইনর্জি হোমিওষ্টেসিসতা চাউনা অহোংবা লাকহল্লি



তূম্বা অমসুং য়াহৌবগী মতম নাইদ্রবদি গ্লুকোজ মেটাবোলিক অমসুং ইনর্জি হোমিওষ্টেসিসতা চাউনা অহোংবা লাকহল্লি হায়বা অনৌবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়রি। ইশম শম্না হায়রবদা ঐখোয়না চাশিনখিবা চীঞ্জাক্কা হকচাংনা শীজিন্নখিবা ইনর্জি'গা খল মান্নহল্লক্তবনি।

ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা পেন্সিলভেনিয়াগী য়ুনিভর্সিটি ওফ পিটসবর্গতা সাইকিয়াট্রিগী প্রোফেসার ওইবা মার্টিকা হোলনা হায়খি, তূম্লিংবা মতমদা তূম্বগা লোয়ননা য়াহৌবগী মতম চাং নাইদবা অমসুং অহিং থেঙলবা ফাওবা তূমদবা নুপীশিংদা ইন্সুলিন রেজিষ্টেন্স ওইহল্লকই। হকচাংগী কয়াৎশিং মথৌ নীংথিনা তৌহন্নবগীদমক নোংমদা পুং ৭ মপুং ফানা তূম্বগা লোয়ননা ফমুং চঙবা অমদি অয়ুক য়াহৌবগী মতম নাইগদবনি হায়না রিছার্চরশিংনা ফোঙদোকখি।

ষ্টদি ওফ ৱিমেন'স হেল্‌থ অক্রোস দ নেসন (এস দব্লিয়ু এ এন) গী দেটাশিং রিছার্চরশিংনা ৱাফম অসি খঙলকখিবনি। মরুওইনা মীয়ায় চল্লবা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা অসি মায়োক্লহল্লি হায়রি। ষ্টদিগী শরুক অমা ওইনা মশাগী চহী ৪৮ দগী ৫৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওই ৩৭০ গী মরমদা থিজিনখি। মদুদা তূম্বা অমসুং য়াহৌবদা মতম নাইদবা মীওইশিং ইন্সুলিন রেজিষ্টেন্স ওইরকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলকপগা লোয়ননা বোদি মাস ইন্দেক্স (বি এম আই) হেনগৎলকই হায়বা খঙলকখি।

'স্লিপ' জর্নেলদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, নুংতিগী ওইবা চাংদগী পুং ২ খক থেঙথনা তূম্বা মতমদা চহী ৫ লৈরগা ইন্সুলিন রেজিষ্টেন্স ওইহল্লকই। পুম্নমক অসি হকচাংগী সর্কাদিয়ন রিদম শোয়বদগী ওইহল্লকপনি। ঐখোয়না চাশিনখিবা চীঞ্জাক তূম্বগী থৌওং, খোঙ হাম্বা, মপান থোকপা, নিংশা শ্বর হোল্লিবা, তূম্বা অমদি য়াহৌবনচিংবা পুম্নমক সর্কাদিয়ন রিদমগী মনুং চল্লি।

অমরোমদা য়ুনিভর্সিটি ওফ পিটসবর্গকী রিছার্চর কাঙবু অমনা থিজিনবদা ফেসবুক অমসুং ত্বিটর কা-হেন্না শীজিন্নরবদি তূম্বগী মওং মতৌদা অকায়বা থোকহল্লকই হায়বা খঙলকখি। য়ুনিভর্সিটি অসিগী পোষ্ট দোক্টরেল রিছার্চর জেসিনা সী লেভেন্সননা হায়খি, মতমগী অনৌবা খুদোল অমা ওইরিবা সোসল মীদিয়ানা মীওই তূম্বদা চাউনা অহোংবা থোকহল্লকই। সোসল মীদিয়ানা তূম্বগী মওং মতৌদা কমদৌনা অকায়বা পীরকপগে হায়বদু খঙদোক্লবগীদমক রিছার্চরশিংনা মশাগী চহী ১৯ দগী ৩২ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওই ১,৭৮৮ গী মওং মতৌ য়েংলম্মী।

ফেসবুক, য়ুট্যুব ত্বিটর, গুগল প্লস, ইন্সটাগ্রাম, স্নেপচেট, রিদিট, টম্ব্লর অমদি পিন্টরেষ্টনচিংবা মখল কয়াগী সোসল মীদিয়া শীজিন্নবা মীওইশিংদা চথখিবনি। চাংচৎতা মীওই অয়াম্বা নুমীৎ খুদিংগী মিনিট ৬১ রোম তোঙান তোঙানবা সোসল মীদিয়া শীজিন্নবগা লোয়ননা চয়োল অমদা ৩০ রক্লুম্বা শীজিন্নৈ হায়রি। ষ্টদিদা শরুক য়াখিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা মীওই চাদা ৩০ রোম মপুং ফানা তূম্বা য়াদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরকপা থেংনখি। নুমীৎ খুদিংগী তঙাইফদবা থৌদাং অমা ওইনা সোসল মীদিয়া শীজিন্নবা মীওই খুদিংমক তূম্বগা মরী লৈনবা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লরকই হায়বসু রিছার্চরশিংনা থেংনরকখি। 'প্রিভেন্টিভ মেদিসিন' জর্নেলগী ওনলাইন ইদিসনদা ফোঙলকখিবা রিপোর্টনা হায়খি, ডোক্তরশিংনা লায়েংবা মতমদা অনাবা মীওইশিংগী সোসল মীদিয়াগা মরী লৈনবা হৈনবী খঙদোকপা মথৌ তাই। পিটস সেন্টর ফোর রিছার্চ ওন মীদিয়া টেক্নোলোজি এন্দ হেল্‌থকী দিরেক্টর ব্রাইয়ন এ প্রিমেকনা হায়খি, মীওইবনা তূম্বা য়াদবা মতমদা সোসল মীদিয়াদা মায় ওনশিল্লি। অদুবু সোসল মীদিয়া শীজিন্নরিবমখৈ তূম্বা য়াদবগী চাংসু হেনগৎলক্কনি।

অমরোমদা, য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়াগী রিছার্চর গ্লোরিয়া মার্কনা হায়খি, তূম্বা য়াদবা মীওইশিং হকচাং শোকচিল্লকপদগী মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমহন্দে। মসিনা মরম ওইরদুনা লৈবাক্কী শেল-থুমগী ফীভমদা অকায়বা থোকহল্লকই।

মহাক্না হায়খি, অনৌবা মতমগী ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি শীজিন্নবনা তূম্বা কায়হল্লকপগী মতাংদা ষ্টদি কয়া চথনখ্রে। অদুবু তূম্বা ৱাৎপনা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি শীজিন্নবদা কমদৌনা অকায়বা থোকহল্লকপগে হায়বগী মতাংদা অহানবা ওইনা থিজিনবনি। তূম্বা ৱাৎলবনি ইথৌদা পূক্লিং চঙবা ঙল্লক্তবা মরম্না পূক্লিং ৱাখলগী ফীভমদা অহোংবা লাকহল্লি অমসুং হকচাংগী কয়াৎশিং মথৌ নীংথিনা তৌবা ঙমহন্দে হায়রি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



ৱাহেংবম প্রেমচান্দ কুম্বিচা, শগোলবন্দ হৈনৌবোক

কনাগুম্বা খরনা মণিপুর ষ্টেট অসিগী লম্বী-থোং মমাংঙৈগা য়েংনরুরগদি য়াম্না ফরে হায়রবসু ঙসিসু ষ্টেট অসিগী লোইজিং-লোয়া অমদি চিংগী মফমশিংগী লম্বী থোংগী ফীভম ফরে হায়বদি লানগনি। খুদম ওইনা হায়জরবদা জিরিগী বোরোবেক্রাগী লম্বী অদুক্কী মতিক ফত্তবা ফীভম অমদা লৈরি। মফম অসি ফাওবা চৎপদা শুপ্নগী পুং ১ রোম চঙগদবা লম্বী অসি লম্বী কা হেন্না ফত্তবনা মরম ওইদুনা পুং ৩ হেন্না চঙলি। জিরিগী অতোপ্পা লম্বীশিংসু ফৈ হায়বদি য়ারোই। লমদম অসিগী পুৱারীগা শাগোন্নরিবা মরুওইবা মফম অমসু ওইরিবা জিরিদা লৈরিবা মীয়াম্না মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনহন্নিংই। মফম অসিগী মীওইশিংনা ঙসিসু হিংনবগীদমক মখল-মখা কয়াগী তঙাইফদবা মচাকশিং ফংদবনা অৱাবা কয়া থেংনরি। অমরোমদা থা ৭ রোম মহৈলোয়শঙ কাবা য়াদনা লৈরিবা মহৈরোয়শিংদগী প্রাইভেট স্কুলশিংনা ট্যুসন ফী লৌনবা হায়রক্লিবা অমদি লৈঙাক্লসু পর্সনটেজ খরা লৌবা য়াই হায়খ্রিবা ৱাফমশিং অসিগী মতাংদা অমুক্কা হন্না খন্থহন্নিংই। মরমদি হৌজিক-হৌজিক লোকদাউন খরা কোমথোরকপদগী থবক শুবা-নোম্বা য়ানরকপদা ঙাইরি। থা খরদি থবক অদুমক শুবা য়াদনা লৈখিবনা মীওই অয়াম্বনা ৱানা লৈখিবা মরমনা অৱাবা অদু হৌজিক ফাওবা মেনখৎপা ঙমদ্রি হায়জনিংই।



ৱাংলেম্বম রোবিন্সন, তোপ অৱাং লৈকায়

ঙসিসু লৈঙাক্না অমদি মরী লৈনবশিংনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপা য়াওরকপদগী কন্টেনমেন্ট জোন লাওথোকখ্রবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং য়ূমদগী মপান থোকপীগনু হায়রি অদুবু হায়জনিংবদি থা কয়াদগী লোকদাউন লৈখিবনা মরম ওইদুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং লৈশিল্লক্তবনা ৱানা লৈরিবা য়ুমগী মীওইশিংদা অৱাবা অমুক পীরে। অদুবু ৱারবা ইমুং-মনুংশিংদা লৈঙাক্না অমদি মরি লৈনবশিংনা মতেং পাংবিবদি উদ্রি। শুপ্নগী ক্লব অমদি সোসল ৱার্কর খরনা চান-থক্লবনি হায়দুনা চেঙ, থাও, থুম অমদি হৱায় খরা পীবিবা নত্তনা। অৱাবা তারবা ইমুং-মনুংশিংদা লৈঙাক্কী ওইবা মতেং খরসু পাংহন্নিংই। লোয়ননা হৌজিক-হৌজিক মণিপুরগী মফম খরদা পাঙথোক্কদৌরিবা বাই-ইলেক্সনগীদমক পাঙথোক্লরক্লিবা কেম্প্যেনশিং অসি কোভিদ-১৯গী এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎতবগী অচৌবা মমি তাই। থৱায়দগী ভোটনা হেন্না লুম্না লৌরবরা নৎত্রগা লায়না লাইচৎ অসিবু থওইদ্রবরা হায়বগী ৱাহং কয়া লাক্লে। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা ইমুং-মনুংশিংনা থেংনরিবা অৱাবা অদু মীয়াম্নসু থেংনদনবা এস ও পি ঙাক্লা চৎনবা হোৎনমিন্নসি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## কন্টেনমেন্ট জোনগী মনুংদা লৈরিবা ইমুংশিংদা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচ এন এস) :ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা লম্লাই এ সীগী তেল্লৌদা মীওই ১ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী ইমুং ৯ অমদি নাপেৎতা মীওই ৪ পোজিটিভ ওইরকপদগী কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোরকপা ইমুং ৫গী ইমুং মনুংশিংনা থেংনরিবা অৱাবদা মতেং পাংবা ওইনা বি জে পি ষ্টেট কাউন্সিল মেম্বর কে ঐচ ইবোমচানা তেংবাং পোৎলম য়েন্থোকখ্রে।

## আর কে মাইপাকসনাগী চহী অসিগী ফেলোশিপ সুরজদা খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিগী মমিং লৈরবা জর্নেলিষ্ট, সোসল এক্টিভিষ্ট অমদি পোলিটিসিয়ন ওইরম্বা আর কে মাইপাকসনাগী মিংদা চহী খুদিংগী পীদুনা লাকপা আর কে মাইপাকসনা জর্নেলিষ্ট ফেলোশিপ চহী অসিগী ওইনা পাউমি ঙাঙোম সুরজতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি। পাওনা কৈথেলদা লৈবা মণিপুর সাহিত্য পরিষদকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা ফেলোশিপ শিন্নবগী থৌরম অদুদা আর কে মাইপাকসনা মেমোরিয়ল ট্রষ্টকী ট্রষ্টি কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

## এম ৱাই সী ওগী ২১শুবা মপোক কুমওনগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচএনএস) : মণিপুর য়ুথস কলচরেল ওর্গনাইজেসন (এম ৱাই সী ও)গী ২১ শুবা মপোক কুমওনগী থৌরম ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে হায়না এম ৱাই সী ওগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি কিরনকুমার নিংথৌজানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, থৌরম অদুদা পদ্মশ্রি নবা ৱারেপ্পা, সঙ্গিত নাটক একাদেমি এৱার্দি লোয়ননা লাইফ টাইম সেক্রেটরি মণিপুর ষ্টেট শুমাং লিলা কাউন্সিল শৌগ্রাকপম হেমন্তা, এন এস দি থিয়টর এক্টিভিষ্ট ক্ষেত্রি জগিন্দ্রো, ষ্টেট এৱার্দি প্লেরাইট পি ঐচ গুনচন্দ্র, মণিপুর ষ্টেট শুমাং লিলা কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট এম পুর্নিমাসি, মণিপুর য়ুথস কলচরেল ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট এম ইবোপিশকনা প্রেসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরি লৈননা রঞ্জিৎ নিংথৌজানা হায়খি অপুনবা তোঙান-তোঙানবা কম্যুনিটি কয়ানা খুন্দাবা লমদম অসিদা থবক তৌবদা ইমোসনেল ইন্টিগ্রিটি শাগৎনবা অমত্তা ঙাইরবা খুৎলাইদি আর্ট এন্দ কলচর হায়বা লম্‌ অসিদা চৎলগা মীয়ামবু অমত্তা ওইনা শাগৎপগী লিচিং অদু পুরকপা ঙমগনি খনবদগী কুমজা ১৯৯৯দা মণিপুর য়ুথস কলচরেল ওর্গনাইজেসন লিংখৎখিবনি। ঙসিদি নহা অমা আর্টকী লম্বীদা খোং থাংজিল্লক্তুনা লমদম অসিবু শক তাকপদা অচৌবা রোল অমা লৌরি। মণিপুর লৈঙাক্কী পুক্লিং চিংশিল্লদুনা মহাক্না হায়খি কলচরবু খঙবিদুনা কলচর তৌরিবশিংবু য়োকখত্তবা য়াদে খনবা লৈঙাক্তনা লমদম অসিবু নুংঙাই য়াইফবা লৈঙাক ওইগনি।

## অথুম-অহাও য়েন্থোক্তুনা ৱর্ল্ড মাইগ্রেটোরি বার্দস দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচ এন এস) :

কুমজা ২০০৬ তগী লেপ্পুনা চহী অমদা অনীরক হায়বদি মে থা অমদি ওক্টোবর থাগী অনীশুবা থাংজদা লেপ্পুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা ৱর্ল্ড মাইগ্রেটোরি বার্দস দে অমদি ৬৬শুবা ৱাইল্ডলাইফ ৱীক লোইশিনবগী থৌরম ককচিং রেঞ্জ অমদি মসিনা কোল্লিবা বিট ওফিসশিংগা লোয়ননা ঙরাং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী লৌশিপাৎ, খরুংপাৎ, খোইদুমপাৎ অমদি পুল্লেনপাৎতা য়ুল্লিংলিবা খুঞ্জাশিংদা অচা-অথক অমদি অথুম-অহাওশিং য়েন্থোক্তুনা পাক-শন্না পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগা মরী লৈননা নাওরেম মুনাল মৈতৈ, রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসরনা হায়খিবদা মতম অমদা মণিপুরদা ৱেটলেন্দশিং মরাং কায়না লৈরম্মী। অদুবু ঙরাংদি হিংনবগী লানফমদা ঐখোয়গী ফজরবা পাৎ কয়া ঙমখ্রে। হৌজিক মণিপুরদা লৈরিবা ৱেটলেন্দ অসি পুন্না ১৫৫ নি অমদি ষ্টেটকী জিওগ্রাফিকেল এরিয়াগী চাদা ২.৩৭ দি ৱেটলেন্দনা কোনশিল্লি। মণিপুরগী পাক চাউবসি ইন্দিয়াগী পাক চাওবগী শুপ্নতংগী চাদা ০.৭ খক ওইজরবসু ইন্দো-বর্মা মেগা দাইভর্স হোট স্পোটতা লৈবা মরম্না ঐখোয়গী ইনাক খুল্লবা বাইওদাইভর্সিটি লৈজৈ। লমদম অসিদা মখোম থোকপা জীব ১২০ রোম, উচেক মখল ৫০০ রোম, রেপটাইল এন্দ এম্ফিবিয়ন ১০০ রোম অমদি ঙা মখল ১৭০ রোম ফংদুনা ইন্দিয়া পুম্নগী চাদা ২২ বাইওদাইভর্সিটি ঐখোয়না সপোর্ট তৌরি। ৱেটলেন্দশিংগী মরুওইবা খঙমিন্নবা, মাইগ্রেটোরি বার্দশিংগা ঐখোয় মীওইবগা লৈনরিবা তৎন-থানবা য়াদ্রবা মরীশিংবু নীংশিংবা ওইনা অচা-অথক চামিন্নদুনা নুমীৎ অসিগী থৌরম দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মরুওইবা পাৎশিংদা পাঙথোকপনি অমদি ঐখোয় পুন্না হোৎনদুনা লমকোয় উচেকশিংবু কনমিন্নরসি হায়না নাওরেম মুনালনা মীয়ামদা আপিল তৌখি।

## পুলিসনা এস পি কেপসুলগা কোন্ননা মীওই ২ ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচ এন এস) :

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ঙসি খেকমন হোরোংবমদা লম্বীদা অচৎ-অওকশিং চেক তৌবদা গাড়ি মচাদা লাকপী মীওই অনী য়াম্লবা এস পি কেপ্সুলগা কোন্ননা ফারে।

হৌখিবা ইরাইগী অয়ুক পুং ৩.১০ রোম তাবদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ডা. এস ইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা খেকমন হোরোংবমদা থৌবাল কম্মান্দোগী টিম অমনা লম্বীদা অচৎ-অওকশিং চেক তৌবদা গাড়ি মচাদা লাকপা মীওই অনী খামদুনা চেক তৌবদা মখোয় এস পি কেপ্সুল ৭২০ গা কোন্ননা ফারে।

কম্মান্দোনা ফারবা মীওই অনী অদুদি লিলোং তুরেল অহনবী লৌমঙাদগী এম দি য়াসিস আলি (৩০) অপোকপা এম দি লিয়াকত আলি অমদি লিলোং কালৈখোং ইফমদগী এম দি সাফিক খান (২৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি অনজেক আলিনি। মখোয় অনীগী মথক্তা মখা তানা থিজিন্নবা লিলোং পুলিস

## নোংমগী ওইবা এৱ্যারনেসকী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচএনএস) : ব্লোক মিসন মেনেজমেন্ট য়ুনিট (বি এম এম য়ু) জিরিবাম, মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদস মিসন (এম এস আর এল এম), দিপার্টমেন্ট ওফ রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পাঞ্চয়টি রাজ গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগা খুৎশম্নরগা জিরিবাম সী দি ব্লোককী ৱার্দ-১ চিংদোং লৈকায় দিবোং গ্রাম পঞ্চায়টতা দে-এন আর এল এম এন্দ দি দি য়ু-জি কে ৱাইগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ভিলেজ লেভেল এৱ্যারনেসকী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না বি এম এম য়ু-জিরিবাম (এল এস আর এল এম)গী ব্লোক মিসন মেনেজর ৱাহেংবম প্রেমচান্দনা থদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, দে-এন আর এল এম এন্দ দি দি য়ু-জি কে ৱাইদা বি এম এম য়ু-জিরিবাম সী দি ব্লোক, মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদস মিসননা লৌরিবা থৌদাং অমদি করি-করম্বা হীরমদা মায়পুননা লোইজিং লোয়াদা লায়রবা মুথৎনবা, লায়রবা হন্থহন্নবগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনখি হায়রি। লোয়ননা থৌরম অদুদা রিছোর্স পর্সন ওইনা শরুক য়াখিবা লাইশ্রম শুরনা ব্লোক মিসন মেনেজর বোরোবেকরা সী দি ব্লোকনা এম এস আর এল এমনা শেম্লিবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপকী মতাংদা চৎনগদবা চৎন কাংলোন অমদি মসিনা খুন্নাইদা পীরিবা ইথিল, লৈত-লায়রাগী খক্তা নত্তনা পুন্না হিংমিন্নবগী য়ূস্ফমদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা জামপাল য়ুনিটকী লুচিংবি জুবেদা খতুল, চিংদোং লৈকায় ৱার্দ-১গী ৱার্দ মেম্বর, দিবোং গ্রাম পঞ্চয়ট অবদুল খাননা থৌরম মপু ওইখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা ক্লষ্টর কোওর্দিনেটর ক্ষেত্রিময়ুম সোমোরজিৎ অমদি লৈকায় অদুগী লৈত-লায়রাগী মখাদা লৈরিবি য়ুম পাল্লিবি নুপী ৪২শু শরুক য়াখি হায়রি।

## দ্রগকা কোন্ননা মীওই ২ ফারে

ইম্ফাল,ওক্টোবর ১১ (ঐচএনএস): লিলোং পুলিস অমদি এ এল এ দি এগী অপুনবা টিম অমনা ঙরাং নুমিদাং পুং ৭ রোম তাবদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক দ্রগ লল্লোনবা নুপী অমা য়াওনা মীওই অনী হেরোইন পাওদরগা কোন্ননা ফারে।

কম্বাইন্দ টিমনা ফারবা মীওই অনী অদুদি লিলোং দাম মখাদগী ফরিনা এলিয়জ ইচন (২৮) অপোকপা এম দি সনা অমদি কৈখু মনীং লৈকায়দগী এম দি ইনুস খান (৩৭) অপোকপা উমাদ অলিনি। ফারবা মীওই অনী অদুদগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক হেরোইন পাওদর গ্রাম ১১.৭ রোম ফংলে। মখোয় অনী মখা তাবা ৱাহং পাউহংবগী থবক চথনবা লিলোং পুলিস ষ্টেসন্দা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## ওইল পম্পদা বোম থল্লম্বদগী মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম চথখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচ এন এস) :

শিংজমৈ ময়েংবম লৈকায়দা লৈবা এন আর এল ওইল পম্পগী থাউ কাপ্পবা মচিনগী মমাঙদা মশক খঙদবা মীওই খরনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা থল্লম্বদগী মীয়াম্না মীপায়বা পোক্লখ্রে।

অমুবা মচুগী প্লাষ্টিক্কী খাউ অমদা হাপ্লগা থল্লম্বা হেন্দ গ্রেনেদ অদু ঙরাং নুমীদাং পুং ৯ রোম তাবদা মফম অদুগী মীওইশিংনা হান্না থেংনরকপনি। মতুংদা পুলিসতা পাউ পীরগা শিংজমৈ পুলিসকী টিম অমা লাক্লগা অশোয়-অঙাম য়াওদনা লৌখৎখি হায়রি।

ওইল পম্প অসিগী ষ্টাফ অমনা ফোঙদোরকপদা, এন আর এল ওইল পম্প অসিগী মপু সরুংবম প্রেমানন্দ কৌই। মহাক শিংজমৈ ময়েংবম লৈকায়দা লৈবনি। পম্প মপুদা হান্না করিগুম্বা অমত্তা খঙহল্লম্বা তৌদনা হেক্তা বোম থমজিল্লম্বা অসি য়ানিংদে। অসিগুম্বা মীচম মীয়ামদা অকি-অখঙ পীবগী থবক অসি মখা তানা অমুক হন্না তৌবীগনু হায়রি।

এন আর এল ওইল পম্পদা বোম থমজিল্লম্বা অদুগী মতাংদা ঙসি শিংজমৈ ময়েংবম লৈকায় মৈরা পায়বী লূপনা শীন্দুনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী নুপী অমনা ফোঙদোরকপদা, ঙরাং নুমীদাং শিংজমৈ ময়েংবম লৈকায়দা লৈবা এন আর এল পম্পদা বোম থমজিল্লম্বা অদু য়ানিংদে। য়ুম্লক্তা লৈবা মফমদা বোম থমজিন্দুনা মীয়ামদা অকি-অখঙ লৈহনবীগনু হায়রি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।


তাং ১২।১০।২০২০ ইং, নিংথৌকাবা; মেরাগী ২৫ নি পানবা।



**মেষ :** মরুপ মপাংগা মরী ফবা ৱাৎলি অমদি হুরানবনা লৌথোক চাথোকনিংবা লৈগনি। অঙম্বনদি চানবীগনি, লৌশিং চাওগনি, পল্লম্বা শেল ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - খাংবা কল্লু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।



**বৃষ :** কিবা পোকপা অমদি হুরানবনা তাথিবা নুমিৎনি। মরুপ মপাং লোয়নবা লুই অমদি নাপলনা মাঙজবা নুমিৎনি। হকচাংদি নুংঙাই অমদি মীয়ামগী মতেং ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।



**মিথুন :** য়েক্লববু ঙমজদুনা অনীংবা থবক পাংগনি অমদি অঙম্ববু লায়না ঙমজগনি। অদবু নঙবগী ওইবা মীনা মাঙহনবা অমদি হোয়া ফবনা নরল কাইবা য়াই।
**লৈশা পাখংশিংগী** - চরাংগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।




**কর্কট :** য়েৎনবদা মায় পাকপা ৱাগনি অমদি ইমুং মনুংদা ৱাখল তান্নদবনা মাঙজবা লৈগনি। অদুবু মীংচৎ ফংবা অমদি থৌনা লৈবনা ওইজবা ফংবদি লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।



**সিংহ :** ওইজবা মাঙগনি, হুরানবনা থবক্তা অকাইবা পীবীগনি অমদি লল্লোন ইতিক্তা খুৎ চাওবনা মাঙজবা লৈগনি। মীয়াম্নদি য়াই, থবক্কী পাউ নুংঙাইবা নুমিৎনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।



**কন্যা :** শেল ফংগনি, মীচং খোম্বা কান্নগনি অমদি অনৌবা থৌরম পাংবা য়াবা নুমিৎনি। কোক শাবা অমদি মীয়াম্না ৱারৌবা লৈবনা চরাংনবদি য়ারোই।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চাল্লি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।



**তুলা :** থবক পাংগনি, মীচং লৈগনি অমদি লল্লোন ইতিক্তা মায় পাক্কনি। লেংদবা লন ফংগনি অমদি থৌনা লৈবনা ওইজবা শোইদনা ফংগনি -চিংনগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল নুংঙাইগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।



**বৃশ্চিক :** শেল ফংবা য়েক্লবা ঙমজবা অমদি থিবা হুম্বগী কান্নবা ফংবা নুমিৎনি। লৌশিং চাওফখৎপা অমদি অচুম্বা মাঙওইনবা থবক্তা কনানসু লাকচবা ঙমলোই।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ওইজবা মাঙগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।



**ধনু :** থাজদবা মরমদগী কান্নবদি ফংগনি, য়েক্লবা ঙম্বতা নত্তনা লল্লোন ইতিক্কী লম্‌দা চাওনা কান্নবা ফংগনি। অকিবা অমদি চিংনবা থাদোকউ-মায় পাক্কনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - চরাংনগনু-মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।



**মকর :** নীংবা শোইদনা থুংগনি, শেন্দোং তানবা থবক্তা চাওনা মায় পাক্কনি। মরুপ মপাংগী মতেং লৌবা য়াগনি। মরম চাদনা অনম তানবনা শক-চু থোকলোই।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।



**কুম্বা :** মীচং লৈগনি, অনৌবা থৌরম পাংবা য়াগনি অমদি নীংবা মপা চাবসু লৈ। অদুবু ৱাঙাঙ হৈত্রদি চোপ্পা য়াবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মায় পাক্কনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/হিগোক।



**মিন :** মতম মাঙদনবা চরাংগনু অমদি মরম চাদনা হোয়া ফগনু। পল্লম্বা শেল-থুমদি ফংজগনি অমদি খাংবা কনবগী কান্নবা ফংগনি। হেন্না অখঙ অহৈ শাগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - পূক্লিং ফাথৌ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।